# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরম্বা লৈঙাক -৫০

- উশম ধনঞ্জয় সিংহ -

*মার্চ ৩, ২০০৯ :* কসোম খুলেনগী এস দি ও ওইরম্বা ডা. কিষন অমসুং মহাক্কী ষ্টাফ অনী হাৎখিবগী কেস অদুগী অনৌবা লংলা লংজিন কয়া ফংবদগী তরাইবা অমা ওইদ্রে হায়না ফোঙদোক্লদুনা এন এস সী এন (আই-এম) না থৌদৌ অদুবু কূপ্না য়েংশিনবদা নুমিৎ ১৫নিগী মতম চঙখিনি হায়না ফোঙদোরক্লে।

ঙসি নুমিদাং থাদোরকপা এন এস সী এন (আই-এম) গী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, কসোম খুলেনগী এস দি ও অমসুং ষ্টাফ অনী হাৎখিবা থৌদৌ অদুবু হকচিন্না লৌবা, অমরোমদা নাগা আর্মিগী লেফটিনেন্ট কর্নেল ঐচ নিংশেন মশামক্লা থৌশিল অদুগী মরাল য়াজখিবা অদুমক্লা জি পি আর এন (এন এস সী এন (আই-এম) না তশেংনা মরাল লৈবশিং মতিক চাদা চৈরাক পীনবগী, মসিগী লৈরিবা অচুম্বা আইনগী কাঙলোন অদু চত্থনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

থৌরাং অদুগী মতাংদা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, লাইবক থীবা থৌদোক অদুবু কূপ্না য়েংশিন্নবগীদমক এন এস সী এন অথোরিটিনা স্পিসিএল ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমখি। লোয়ননা হয়েং তাং ৪দা কম্মিট অসিগী রিপোর্ট এন এস সী এনগী নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা পীখৎনবা খঙহনখি।

থিজিন হুমজিনবগী থবক অসিদা অনৌবা লংলা লংজিন কয়া লাকখিবদগী কেস অসি অরুবা ফীভম অমা ওইরকপনা ইনক্বারি কম্মিটি অসিনা মথৌ মতম চানা লোইশিনবা ঙমখিদবা মরম্না মখা তানা থিজিনহন্নবগীদমক নুমিৎ ১৫নিগী মতম অমগা অমুক পীবনি।

এন এস সী এন (আই-এম) না হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক থোংবা লুচিংবা অদুনা শেঞ্জা থুমজাগী থবক তৌরবদি মখল মখা কয়াগী খুদোংথীনিংঙাই ওইবা শেঞ্জা থুমজাগী থবকশিং থোকহল্লকপা য়াই। মদুনা খুদোংথীবা নংগনবা কয়াদি অৱাফমদা তাহল্লি।

মীয়াম্না পাম্নখিদ্রবা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর পঙ্কজ কুমার মশামক মতম কয়াগী মমাঙদগী খ্বাইদগী শেঞ্জা থুমজা তৌবা ওফিসরনি হায়রদুনা থোইদোক্লা লাইবক থীবদি মহাক্ন া ৱাখল মান্নবা এন এস সী এন লূপসিগী মীওই খরগা মরী থন্নকখিবা অদুনি হায়রি।

নাগা আর্মিগী লেফটিনেন্ট কর্নেল ঐচ নিংশেননা মহাক্কী মরন্নাই ওইবা ৱাখল্লোন্দা এস দি ও কিষন অমসুং মহাক্কী ষ্টাফ অনীবু নুংশি হৈতনা হাৎখিবা অদুমক এন এস সী এন (আই-এম) বু মীংচৎ থীননবনি। অসিগম্বা লৌতুনবা মানবা কয়া অসিবু লূপ অসিনা নীংথিনা য়েংশিল্লক্লি। করিগুম্বা নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা মসিগী রাই তারকপদা কনা অমত্তনা য়েংবীবা তৌরোই। উখ্রুল দি সী মশামক কসোম খুলেন এস দি ও মীহাৎ অদুদা লৌতুনবা য়াওবগী চিংনবা লৈরে হায়নসু আই-এমনা ফোঙদোক্লি।

*মার্চ ৩ :* কসোম খুলেনগী এস দি ও অমদি মহাক্কী ষ্টাফ অনীগী তমথীবা মীহাৎকী মায়োক্তা জে এ সী অমসুং অপূনবা লূপকী লমজিং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা লূপ কয়ানা পূন্না শীন্দুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা ঙসি নুংথিল থৌবাল ৱাংমা তাবদা লৈবা য়াষ্টা গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। মীহাৎপশিং চৈরাক পীদ্রবদি লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল বোইকোট তৌনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

অপূনবা লূপকী কোওর্দিনেটর ফুনিন্দ্রো কোন্সম, পিপলস ৱেলফ্যের ফোরমগী প্রসিদেন্ট এ কে মেমচা, কংলামৈগী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিক লৈমা, মোমনু ঈরিকখোম্বগী প্রসিদেন্ট এ কে জানকি, তম্মী চীংমীগী প্রসিদেন্ট এস মোমোননচিংবনা মীফম মপূশিং ওইদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মীওই কয়ানা ৱা ঙাঙখি।

মীফম অদুদা জে এ সীগী কনভেনর সুভাঙ্করনা হায়খি, এস দি ও ডা. থিংনাম কিষন, ৱাই তোকেন, এ রাজেনবু এন এস সী এন (আই-এম) না য়াম্না তমথীনা হাৎখিবদগী থোরক্লিবা ৱাথোক অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্কা মণিপুরগী মীয়ামগা মুক্নবনি। অহৌবা লৈরবদি অরোইবসু লৈগনি। ৱাথোক অসিগীসু ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিনখিগনি।

*মার্চ ৩ :* ডা. থিংনাম কিষন, এম সী এস অমসুং মহাক্কী ষ্টাফ অনী য়ূম্নাম তোকেন অমসুং অরিবম রাজেনবু মীহাৎ থীনা হাৎকিবগী মায়োক্তা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কম্মিটিনা হয়েং তাং ৪দা মণিপুর লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংনা মাস কেজুএল লিব লৌনবা এমতুক অমসুং এম জি ওগী জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিব কাউন্সিলদা হায়রকপা মতুং ইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংনা হয়েং মাস কেজুএল লিব লৌবিয়ু হায়না জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিলনা আপিল তৌরি।

*মার্চ ৪ :* জে এ সীনা আপিল তৌবা মতুং ইন্না ঙসি মণিপুর লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিং মাস কেজুএল লিব লৌনখিবদগী থবক ইকা কানখিদ্রে। লোয়ননা কর্ম্মচারি অয়াম্বা থবক কানরক্তবদগী ওফিসকী থবক থৌরম অয়াম্বা লেপখ্রে।

ঙসি নাগামপাল খ্বাই ইমা কৈথেল, খ্বাই সেন্ত্রেল মার্কেট অমসুং খ্বাই ইমা কৈথেল মহারানি থোং, অৱাং ঙারি পরেং দুকান মনীং অমসুং মফম অদুদা দুকান ফম্বীশিংনা নোংমগী শিন্থা লেপ্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। মীফম অদু অয়ূক্কী পুং ৯দগী হৌখি অদুগা নুংথিলগী পুং ২দা লোইশিনখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা উখ্রুল দি সীগী মথক্তা এক্সন লৌ, এন এস সী এন (আই-এম) না মীহাৎপশিং অথুবা মতমদা দন্দি পীয়ু, অথুবা মতমদা মীহাৎপশিং পুথোকউ হায়বনচিংবা ইবা প্লে কার্দশিংসু থেৎখি।

*মার্চ ৫ :* জে এ সী অমসুং অপূনবা লূপনা চঙশিনগদবা মখা তাবা খোঙজংশিং লাউথোকখ্রে। চঙশিনগদবা খোঙজংশিং অসিগী মনুংদা পোষ্টর কেম্প্যেন, রেল্লিনচিংবা য়াওরি। হয়েং তাং ৬তা মীহাৎপা এন এস সী এন (আই-এম) দন্দি পীয়ু হায়বা পোষ্টর কেম্প্যেন চত্থগনি। তাং ৭তা মণিপুর ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন দেল্লি (মসাদ) অমসুং রিক্সো দ্রাইভরশিংগী রেল্লি পাঙথোক্কনি। তাং ৮দা লৈখিদ্রবশিংগী শ্রাদ্ধ লোইরবা মতুং নুমিদাংদা গান্ধী ঘাটতা কেন্দল থানগনি। অদুগা তাং ৯দা ওটো রেল্লি চৎকনি।

*মার্চ ৬:* ঙসিদগী পোষ্টর কেম্প্যেন হৌখ্রে। অহানবা ওইনা ইম্ফালগী মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা হৌদোকখি।

কসোম খুলেনগী এস দি ও ডা. কিষন অমদি মহাক্কী ষ্টাফ অনীবু তমথীনা হাৎলম্বগী থৌদোক অদুবু ওল ত্রাইবেল চীফস এসোসিএসন মণিপুর দ্যুলালেন্দনা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি। জে এ সীনা হীরম অসিগী মতাংদা চঙশিল্লকপা খোঙজংদা এসোসিএসন্না থৱায় য়াওনা মতেং পীগনি হায়বগী থাজবা পীরক্লি।

*মার্চ ৮ :* 'কসোম খুলেন মীহাৎকী ৱাহন্থোক' হায়বা কসোম খুলেন মীহাৎকী মতাংদা য়ু এন এল এফকী সেন্ত্রল কম্মিটিনা ফোঙদোকপা ৱারোল অমা আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিনা ঙসি প্রেসতা থাদোরক্লি। ৱাহৌদোক্তা অসুম্না হায়রি, য়ু এন এল এফকী মীৎয়েংদদি কসোম খুলেনগী মীহাৎ অসি তাঙ্খুলনা মৈতে হাৎপনি হায়না লৌদে, চীংমীনা তম্মী হাৎপনি হায়না ফাওবা লৌদে, লৌবসু চুমদে। মণিপুর মচা অহুম এন এস সী এন (আই-এম) না নৎত্রগা মসিগী মীওই খরনা হাৎপনি হায়না লৌই। মীৎয়েং অসিদগী ঙসিগী ৱারোলসি থম্বনি।

*মার্চ ৯ :* কর্ম্মচারি অহুমগী মীহাৎকী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীনা শীন্দুনা চৎখিবা ওটোরিক্সো রেল্লি অদু উরিপোক ওভর ব্রিজ মখাদগী অয়ূক পুং ১১ তাবা অদুৱাইদগী হৌখি। তোঙান তোঙানবা মফমদগী ওটোরিক্সো ৩০০ লোম্না শরুক য়াখি।

রেল্লি অদু ইম্ফালগী নাগামপাল, অৱাং বি ও সী, মিনুথোং লাল্লগা ৱাংখৈ, কোংবা, শিংজমৈ, পিশুমথোং, কৈশামথোং, কৈশাম্পাৎ অমসুং ৱাহেংবম লৈকায় ফাওদুনা লাক্লগা নাগামপাল কাংজাবী লম্পাক ফাওবা চৎখি। মফম অদুদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোকখি।

অমরোমদা ডা. কিষন অমসুং মহাক্কী ষ্টাফ অনীবু তমথীনা হাৎখিবা থৌদৌ অদুদা চেন্নবা আইন কায়বা মীওইশিংনা মখোয়বু ফাজিন্দুনা থন্নিবা মরী লৈনবশিংনা মতিক চাবা দন্দি পীগদবনি হায়না উখ্রুলদা বেজ তৌবা নুপী ওর্গেনাইজেসন 'হুনফুন শিনাও লোঙ' না তকশিনখি।

*মার্চ ১০ :* য়ু এন এল এফনা হন্দক পাউচেশিংদা ফোঙনখিবা ৱাফম্থু রিএক্ট তৌরদুনা এন এস সী এন (আই-এম) না য়ু এন এল এফনা মীগী থবক্তা মথৌ নত্তনা খূৎ থিংজিনবা তৌরোইদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

*মার্চ ২১:* কসোম খুলেনগী এস দি ও অমদি মহাক্কী ষ্টাফ অনীবু হাৎখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবা এন এস সী এন (আই-এম) গী কাদরশিং থা অসিগী ২৩ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্তা খূৎশিন্নরক্তবা তারবদি এন এস সী এন (আই-এম) অসি জে এ সীনা টেররিষ্ট অমনি হায়না লাউথোক্তুনা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নাগামপাল কাংজাবী লৈরক্তা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জে এ সীগী কনভেনর প্রেমচান্দনা হায়খি, এন এস সী এন (আই-এম) গী কষ্টদিদা লৈরিবা মীহাৎপশিং অসি লৈঙাক্তা খূৎশিন্নদবা তারবদি মখোয়গী মথক্তা জে এ সীনা থা অসিগী ২৪দগী অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনবা হৌরগনি।

মীহাৎ অসিগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা ন্যু দেল্লিদা কেম্প তৌদুনা সেন্তরদা তকশিন্নবসু আপিল তৌবগা লোয়ননা থবক অসি পাঙথোক্ত্রবদি দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মহাক্লা হায়খি।

জে এ সীগী চ্যেরমেন টিকেন্দ্রজিৎনা মীহাৎ অসি মণিপুর লৈঙাক্লা সী বি আইদা খূৎশিন্নখিবা তারবসু হৌজিক ফাওবা মীহাৎ অসিগী লংলা লংজিন পুথোকপা ঙমদ্রে। মসিগী মথক্তা লৈঙাক্ন া শেমখিবা ইনক্বারিগী রিপোর্টশিং লাউথোকপা ঙমদ্রে।

# অনৌবা চহীগী পান্দম

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

*মালেম* পূম্বগী ওইবা অনৌবা চহীনা লাকপদা ঐখোয় খুদিংমক ইশা ইশানা ফংনীংবা অমদি পাঙথোক্লীংবা পান্দম কয়া অমদি পন্থুং কয়া লৈরি। মীওই খরা অমনা লাইরিক লাইশুদা পূক্নিং চঙশিন্দুনা এগজামদা মার্ক অসুক ফংবা, সিগী কোলেজ নৎত্রগা য়ুনিভর্সিটিসিদা তম্বা হায়বনচিংবা, মরু ওইনা মহৈরোয়শিংগী ওইনা। নহা ওইরিবা, থবক থিরিবা কাঙবুনা চহীসিদদি শোয়দনা মওং তাবা থবক অমা ফংবা হায়না নীংনৈ। অদুগা থবক তৌরবা অমদি য়ূম-কৈ পাল্লবা মীওইশিং অসিগীনা শেল হেন্না তানবা ঙম্বা, প্রমোসন ফংবা অমদি ইমুং মনুং ঈংনা-তপ্না পানবা হায়না নীংনৈ। অদুগা শান্নরোয়শিংগী ওইনদি নিংথিনা চাং নাইনা শান্নবা ঙমজবা, দাইট নীংথিনা চাবা ফংজবা অমদি চেম্পিয়নশিপ কয়াদা মকোক মথং ওইবা ঙমজবা অসিনচিংবনি। অসুম্না ঐখোয় খুদিংমক অনৌবা চহীনা লাকপদা ইশা ইশাগী ফংনীংবা পান্দম কয়া অমদি য়ৌনীংবা পন্থুং কয়া লৈখ্রে (ন্যু য়র (রিজোলুসন্স)।

ইশা ইশাগী পন্থুং অমদি পান্দমশিং পাঙথোক্কে, ফংগে লেপ্পদা, ঐখোয় খুদিংমক্কী থম্মোয়দা অনৌবা চহী কুমজা ২০১৯সিদা তৌনীংবা, ফংনীংবা রিজোলুসনশিং শেম্বদা ৱাজরবী ইরমদম কংলৈপাক্কীসু শরুক থুংবীফম থোক্তব্রা, হায়বদি লমদমসিদা অফবা, চাওখৎপা, নুংঙাইবা, ঈংনা-তপ্না হিংমিন্নবা, অনৌবা পুন্সি অমা লাকহনবদা, পুরকপদা ঐহাকসু করি তৌসিগে, করম্বা থবক মচা অমা অনীতা ওইরবসু পাঙথোকসিগে হায়না। ঐখোয়না য়াম্না চাউবা থবকমক তৌবা ঙমদ্রবসু শেলননি খঙদে, থবক ওইননি খঙদে মতেং পাংবা য়াইনা মতেংগী মথৌ তারবা মীওইশিংদা অমদি ইরমদম কংলৈপাক্তা। খুদম খরা পঞ্জরবদা খুঙ্গং খুদিংগী লৈঙাক্লসু থৌশাবীদ্রবা, অদুগা লৈকায়গী প্রধান নৎত্রগা এম এল এনচিংবা লুচিংবশিংনসু উবীদ্রবা, মতেং পাংবীদ্রবা ইমুং খরা অদুম লৈরি। মখোয়না মতেং ফংদবগী মরু ওইবা মরমদি মখোয়না হায়রিবা লৈকায়গী নৎত্রগা এম এল এশিং অদুদা ইলেক্সনগী মতমদা ভোট পীখিদবগী। অসিতা নত্তনা, ভোট কাখ্রবা মতুংদা লুচিংবশিং অসিনা থাদরকপা শেলবু মরম চানা শীজিন্নদবা, শীজিন্নরগনা অচান মীরাই নাইনা শীজিন্নদুনা খ্বাইদগী ৱাজরবী ইমুং অদুদদি পীবিদবা অসিনচিংবনি। অসিগুম্বা ইমুংশিং অসি ৱাৎত্তনা লৈরি ঐখোয়গী খুঙ্গং খুদিংদা। খ্বাইদগী হেন্না অমুক নুংঙাইত্রিবদি অসুক ৱারবা, শেল থোকচবা ঙমদ্রবা ইমুংশিং অসিদা অরুবা লায়নানা নারবা মীওইশিং লৈরকপা অদুনি। কংলৈপাক্তদি অফবা সোসিএল সিষ্টেম লৈতবনা (হেলথ ইন্সুরেন্স অমদি ফ্রী মেদিক্যের) লৈত-লায়রজবা ইমুংশিং অসিদি থম্বু থমখ্রো, ময়ায় ওইনা লৈবা ইমুংশিং ফাওবা শেল পুথোকপা ঙমদদনা লয়েংবা ঙমদনা মখোয় মখোয়গী নুংশিজরবা মচা-মশু, মমা-মপা কয়া লমখাংদা পুন্সি লোম্লিবনি। অসিগুম্বা তমথীরবা লায়নাশিং অসিনা অসুক্কী মতিক ৱাজরবা ইমুংশিং অদুগী মীওইশিংদা নারবদি করম্না লায়েংগদৌরিবা। মখোয়দি লৈঙাক্কীসু, লৈকায়গী, খুঙ্গংগী নৎত্রগা মফম অদুগী লুচিংবশিংদগীসু মতেং ফংবা ঙমদে, করি তৌবা ঙমগনি... নুংশিজরবা ইমুং অদুগী মীওই অদুনা ৱানা ৱানা খাঙদুনা অয়োনাহে তান্দুনা শিখিবা ঙাইবা নত্তনা। অসিগুম্বা অৱাবা, উহৈদ্রবা থৌদোক কয়া তৎতনা তাবা, উবা ফংই টি ভি, সোসল মিদিয়া অমদি পাউচেনচিংবদা। মখোয়বু উরুবদা অসুক্কী মতিক থম্মোয় শোকই। অসুম্না অৱা অনা তারবা কয়াদা মখোয়বু মতেং পাংগে হায়না ঐখোয় ঐখোয়গী ন্যু য়র রিজোলুসনদা হাপচিনবা য়াই। মসি ঐখোয়না খল্লুদ্রগদি উবসু ৱাৎলি অদুগা মখোয়গী অৱাবা উরুবসু ৱাৎলি। লৌশিনবতনা লাইনীং ওইরবা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদদি অসিগুম্বা অতোপ্পা লৈত-লায়র, অৱা অনা তারবশিংবু মতেং পাংবা, অঙম্বা খরা পীথোকপা, ইশাগীতা খনবা নত্তবীদা অতোপ্পগীসু, লৈপাক্কীসু খনবা তম্বগী মথৌ য়াম্না তারে।

ইরমদম অসিদা লৈত-লায়রবা ইমুংগী মহৈরোয় কয়া অমা লৈরি ট্যুসন চৎপা ঙমজদবা। ইশামক্লা মহৈরোয় অমা ওইরগদি লৈকায়গী নৎত্রগা খুঙ্গংগী অঙাং অমা অনীদি শেল লৌদবীদা চয়োল অমদা নোংমা নীনিদি লাইরিক লাইসু তাকপীবদা মতেং পাংই হায়বা ফিরেপসু লৌবা য়াই। করিগুম্বা ইশানা ট্যুসন লৌবা ওজা অমা ওইরবদি অসিগুম্বা লৈত-লায়রগী ইমুংগী অঙাং অমা অনীদি লেম্না য়াওহনবসু য়াইনা হেন্না হেন্না শেলদা মীহৌদুনা মহৈরোয় খুদিংমক্তগী হেক্তা লৌরনি হায়বগী ৱাখল্লোনদু থাদোক্তুনা। অদু নৎত্রগনা, ইরমদম অসিদা লৈরিবা মপা-মমা লৈজদ্রবা অঙাং কয়াগী য়ূম ওইরিবা ওর্ফান হোম লোয়ননা মখোয়গী হায়বদা কনা লৈজদ্রবী অহল লমন কয়াগী লৈফম ওল্ড হাওসনচিংবশিং অসিদা চৎতুনা থবক ওইননি খঙদে, অঙম্বা শেল ওইনদি খঙদে মতেং পাংলুবদা মখোয়না অসুক্কী মতিক হরাউজগনি। ঐহাকসু ইরমদম কংলৈপাক্তা থোরকপদা ইশাগী চিল্লবা মতম কায়থোক্তুনা চৎলি মখোয়দা অঙম্বা চান-থক্লবা পোৎ চৈ পীদুনা। করিগুম্বদা নিংথমথা লাকপদা মখোয়গী ফিনচিংবা লৈবীদুনা পীবি। অসুম্না থবক কয়া অমা লৈখ্রে ঐখোয়না অঙম অঙম্বা পাঙথোকপা য়াবা। ঐখোয় খুদিংমক্লা অসুম্না খজিক খজিক্তুং ওইরবসু মতেং পাংথোক পাংশিন তৌরবদি ইরমদমগী লৈত-লায়রবা কয়াগী ফীভম খরতা ওইরবসু মেনখৎপা ঙমগনি। মসি হায় হায়দুনা ঐখোয় লেম্না পংপীদা পীরসি হায়জবদি নত্তে। করিসু তৌবা ঙমজদবা মখোয়দদি পীবা তাবনি অদুবু তৌবা ঙম্বা কাঙবুদনা ৱাখল লৌশিং পীবীবা য়াই, মহৈ-মশীন তম্বীবা য়াই, মরু ওইনা লায়রবা ইমুংশিংগী অঙাংশিং অমদি চিলদ্রেন হোমগী অঙাংশিংবু। হৌজিকসু ঐখোয়গী লৈজরিবা সিভিল ওর্গেনাইজেসন কয়ানা লৈত-লায়র ইমুং কয়াগী ইমুংদা মতেং পাংলি। মসিসু ৱাখল্লোন মান্নবা ময়াম অমা পূনশিন্দুনা শেম্বা কাঙলূপনি। অৱা অনা তারবা, লায়রবশিং অসিগী মতেং নৎত্রগা ইরমদমগী লম-তুনান্না থম্বদা, উ-ৱানচিংবা থাবদা ঐহাকসু থৌদাং অমা লৌগে হায়না লেপ্পা য়াই। য়াম্না লৈখ্রে ঐখোয়না তৌবা য়াবা থবকশিং। ইরমদম কংলৈপাকপু নুংশি-নুংশি হায়না করিসু তৌদনা লৈবনদি অফবা করিসু পুরকপা ঙল্লোই ইরমদমসিদা। মপান্দা লৈবিরিবা ইচিন ইনাও, ইচল-ইচে কয়ানসু মখোয় মখোয়গী অঙম্বা তৌরকপা ওইরসনু।

ঙল্লবদি মালেম পূম্বগী মফম খুদিংমক্তা অফবা খরতা ওইরবসু তৌগদবনি। ইরমদম নত্তে হায়না অতোপ্পা মফমদা ফত্তবা তৌরুবদি য়াম্না নেম্বা ৱাখল্লোন ওইগনি। অফবা তৌবা ঙমদ্রবসু ফত্তবদি তৌরুদবা য়াই।

অসুম্না ঐখোয়না ইশা ইশাগী অনৌবা চহীগী পান্দমশিং অমদি পন্থুংশিং থম্বদা ইরমদম কংলৈপাক্কীসু খনগদবনি, হায়বদি ঐহাক্কী মায়কৈদগী ইরমদমগী করিগুম্বা খরদি তৌগে, পাঙথোক্কে হায়না। অসুম্না ঐখোয় খুদিংমক্লা খরা খরতা ওইরবসু ইরমদমগীদমক হোৎনরবদি অফবা চাওখৎপা খুন্নাই অমা শেম্বদা য়াম্না মতেং ওইগনি। লুচিংবশিংনা লোইনা তৌবীগনি খনবদি য়াম্না লানগনি হায়বসি মীয়াম্নসু খঙবীরবা ৱাফমনি।



ওইরোই, ঙল্লোই হায়বা ৱাখলনা লিচিংদুনা মীচম অমা ওইনা অয়াম্বা মতমদা ঐহাক্লবু ইরমদমগীদমক করি তৌবা ঙমগদৌরিবনো হায়বা ৱাহংসি য়াম্না হংনবা ৱাফম অমনি। অয়াম্বা মতমদা ঐখোয় ইরমদমসিগী করিসু তৌবা ঙমদে হায়না খল্লি। অদুবু অশেংবদি লম্বীদা তারম্বা অমোৎ অমা খুনগৎতুনা দষ্টবিন্দা হাপচিনবসিসু ইরমদম কংলৈপাক্কী থৌগল মখল অমনি। মসি নৎত্রগা মী য়াম্না চিনবা লম্বী অচৌবা অমদা অহল অমবু খূৎ শম্বীদুনা লম্বীদু লান্থোকপদা মতেং পাংবসু অফবা থবক অমনি। মসি হেক হায়বদদি য়াম্না পিকপা থবকনি হায়না খনবা। অদুবু তশেংবদি অসিগুম্বা অপিকপা থবক ময়ামসি পূনশিল্লগনি অচৌবা থবক অমা পাঙথোকপা ঙল্লিবা। খুদম ওইনা হায়রবদা, ঐখোয় খুদিংমক্লা অমোৎপা অমমমতা ওইরবসু নুংতিগী খুনগৎতুনা দষ্টবিন্দা হাপচিল্লবদি ইরমদম কংলৈপাকসি পূমনান হেক নানগনি, লংগনি। অদুবু ঐখোয়গী অপিক অপিকপা থবক কয়াবু মরু ওইদে হায়না খনবা অমদি তৌরুবগী করিবু কান্নবা ফংগদৌরিবনো হায়বা ৱাখল্লোন অসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না তৌবা ঙম্বা থবক কয়া অমা তৌদনা লৈথোক্তুনা চৎলি নৎত্রগা খনবফাও খল্লুদে। খুনগৎতুনা লংশেকপমক তৌদ্রবসু মফম চাদনা ফত্ত-হৌদি অমদি অতৈ শীজিন্নদ্রবা পোৎলমশিং হেক্তা হুন্দোকপদি তৌবীগনু। অসুম্না ঐখোয় খুদিংমক্লা খজিক খজিক, অপিক অপিকপা থবকশিং অসি তৌরবদি ইরমদম করিগী লূ-নান্না থম্বা ঙল্লোই। অদুবু খল্লুদবা, থৌশারুদবা ৱাখল্লোন অমদি হৈনবীনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না ফত্তবা হৈনবী অসি নুংতিগী তৌরি, চত্থরি।

সিঙ্গাপুর, টাইৱান, কোরিয়া অমদি জপানগুম্বা লৈবাকশিং অসিদা লুনা-নান্না মফম খুদিংমক থম্বা ঙল্লিবসি লৈবাকশিং অসিদা লৈরিবা মীওই মীচম মীয়াম্না অসিগুম্বা অপিক-অপিকপা অমোৎপা অমদি অতৈ পোৎচৈশিং অসি মফম চানা হুন্দোকপীদ্রবদি কৈদৌনুংদসু লূ-নান্না থম্বা ঙল্লোই মফমশিং অসি। অসিগুম্বা লৈবাক্কী ওইনা খনবা ঙম্বা ৱাখল্লোন ঐখোয়দসু চেনবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অমদি হৈনবী অসি ইশা ইশাগী অনৌবা চহী অসিগী পান্দম অমদি পন্থুংনচিংবা (ন্যু য়র রিজোলুসন্স) য়াৎথোকপদা হাপচিনবীয়ু।

ন্যু য়রগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পান্দম অমা হায়রগদি লাক্লিবা অনৌবা চহীসিদগী হৌদুনা ঐহাক হকচাং ফনা লৈতবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন অসিনি। মসিগী ৱারেপ অসিমা নান্থোকপীরনু। হকচাংনবু নুংঙাইত্রবা, ফৎত্রবা অতৈ পোৎলম কয়া অমা ফংলবসু মখোয়গী মতিক ময়াইদি য়াম্না হন্থগনি। হকচাংনা নাদুনা লৈরবদা, চাবা-থকপা অমত্তা ঙমদ্রবদা, মহাও অমফাও ফাওদ্রবদা লৈজরিবা শেল, ফজবা ফিরোল, কার, য়ূমজাও, সনা-লুপা খুদিংমক করিসু ৱাহন্থোক লৈতে, মখোয়না নুংঙাইহনবা ঙমদে হায়বসি ঐখোয় কাউফম থোক্তে। শেল য়াম্না পায় হায়দুনসু কোয়থোকপসু ঙমদা, চানীংবা এঙ্গাং, অচাপোৎসু চাবা য়াদা, চারবসু মহাও অমত্তা ফাওদবা পুন্সিদুবু করিবু কান্নরিবগে। অদুননি ঐখোয় হেক তুনা নাবদা ঐখোয়গী খ্বাইদগী অহানবা অপাম্বদি, নীংজবদি অমুক য়াম্না থুনা নাবা ফদুনা চাবা, থকপা, চৎপা অমদি ইমুং মনুংগা নৎত্রগা ইমান্নবা মরুপ মপাংশিংগা কোয়থোকপা চৎপদুনি। অদুনা নাদ্রিঙৈদা নাদনবা হকচাং শাজেল তৌদুনা, শান্ন-খোৎনবা তৌদুনা, অফবা চিঞ্জাকশিং চাবীদুনা হকচাংবু নাদ-য়েকতনা, তিঞ্জং-কায়জংদনা থম্নবা হোৎনগদবনি। হকচাং ফবা হায়বসি হেক পোকপদগী মপূ মহাক্ন া পীথোরক্লবনি, ঐহাক্তি শুকনা নারোই কায়না খনবীরুনু। চেকশিনহৌদ্রবদি লায়না অমা হেক্তা লাকপা য়ারিবনি ঐখোয়গী হকচাংসিদা। লায়না লাক্লগা শেল তিংদুনা, মতম চঙনা, ৱানা খাঙদুনা লৈগদবগী শরুক নাদ্রিঙৈদা নাদনবা হোৎনহৌবনা শরুক চাম্মা চাম্মা ফবা হেল্লি হায়বসি কাউবীগনু। করিগুম্বা লায়না তীলনা চেন্দবা, তিঞ্জং-কাইজংদবা হকচাং অমা লৈরবদি ঐখোয় ঐখোয়গী লৈজরিবা পোৎচৈ খঙদে, য়ূম খঙদে, ইমুং মনুংগী মীওইশিংনি খঙদে, মরুপ মপাংনি খঙদে, চাবা থকপনি খঙদে ওইনীংবা ওইসনু, শেল য়াম্না পায়দবসু ওইসনু, কার লৈতবসু ওইসনু, য়ূম য়াম্না চাউনা লৈতবসু ওইসনু খুদিংমক লোইনা মতিক ময়াই হেনগৎলক্কনি, নুংশিবা ঙমগনি, পেন্থোকপা ঙমগনি অমদি নুংঙাইবা পুন্সি মরেল অমা শোয়দনা ফংবা ঙমগনি হায়না থমজগে। হকচাং ফবা হায়বসি ঐহাক ইশাগীতা নত্তে তৌইগুম্বসুং খুন্নাই অদুগীসু অফবা লন অমা ওইরিবনি। খুন্নাই অমগী মীপূম খুদিংমক মশা মউ ফৎত্রবদি খুন্নাই অদু হিংবা ঙমদনা লৈখা তানা মাঙখিগনি। অদুগা করিগুম্বা খুন্নাই অদুগী মীওই খুদিংমক্লা মশা মউ ফরবদি খুন্নাই অদু সুম-সুম হেন্না চাখৎলক্কনি, অতোপ্পা মালেমগী খুন্নাই কয়ানা ইকায়খুম্নবা উৎলক্কনি। মসি খঙবননি চাওখৎলবা লৈবাক কয়ানা সোসল ৱেলফ্যের অমদি মেদিক্যের সিষ্টেম কয়া থমদুনা মীপূম খুদিংমক মশা মউ ফনা থম্নবা হোৎনরিবা। অসিগুম্বা সোসল ৱেলফ্যের অমদি মেদিক্যের সিষ্টেমশিং টাইৱান হায়রিবা লমদম অসিদা য়াম্না নিংথিনা থন্নি, চত্থরি।

লোইশিল্লকপদা অমুক হন্না তেল্লপনা পঞ্জরবদা, অনৌবা চহী কুমজা ২০১৯না লাকপদা ইশা ইশাগী পান্দমশিং অমদি পন্থুংশিং য়াৎথোকপদা ইরমদম কংলৈপাক্কীসু শরুক খরা থুংবীয়ু। অপিক-অপিকপা, অঙম-অঙম্বা থবক কয়া মীপূম খুদিংমক্লা তৌরবদি অচৌবা মহয় ফংবা ঙমগনি। অসুম্না ইশাগীতা খনবা নত্তনা ইরমদম কংলৈপাক্কীসু খরা খরা খনবীদুনা ইরমদমগী লৈত-লায়র কয়াদা অঙম্বা মতেং পাংসি, ট্যুসন থাবা ঙমজদবা লায়রবা ইমুংশিংগী মহৈরোয় অঙাংশিংদা অমদি চিলদ্রেন হোমদা লৈরিবা অঙাংশিংদা শেল লৌদবীদা অঙম অঙম্বা চয়োল অমদা নোংমা নীনিতা ওইরবসু কায়থোক্তুনা লাইরিক লাইশু তাকপীসি, তম্বীসি। লোয়ননা ওল্ড এজ হোমশিংদা লৈবা কনা লৈজদ্রবা অহল-লমনশিংবু উন্নবা চৎপীদুনা অঙম অঙম্বা চান-থক্লবা অমদি ফিরোলনচিংবা মতেং পাংবীবা য়াই। ইতোমতা চৎপগী মহুত্তা ঐখোয় খরা পূনশিন্দুনা চৎপনদি হেন্না মহয় য়ানগনি। ইরমদমগী চাওখৎ থৌরাং হায়বদি শেমজিন শাজিনবা, শেংদোকপা অমদি উ ৱানচিংবা থাবদা শরুক য়াবা য়াই। পূম্নমক অসি ঙমদ্রবফাওবদা য়ৈখাই থিনগাইবা, চৈখাইবীবদি তৌবীগনু। অরোইবদা নাদ-য়েক্তনা, তিঞ্জং-কাইজংদনা লৈনবা শাজেল তৌবীয়ু, শান্ন-খোৎনবা য়াওবীয়ু অমদি অফবা চিঞ্জাকশিং চাবীয়ু। হকচাংবু নাদ-য়েক্তনবা হোৎনবা হায়বসি অসুক্কী মতিক মরু ওই। মরুওইনা ঐখোয়গী মতিক চাবা সোসল ৱেলফ্যের, হেলথ ইন্সুরেন্স অমদি মেদিক্যের সিষ্টেম লৈতবনা। অনৌবা চহী কুমজা ২০১৯না লাকপসিদা ইরমদমগী মীওই খুদিংমকপু নুংঙাই পাউজেল পীজরি। সোম সোমনা হোৎনজবা পূম্নমক মহয় য়ানবা ওইরসনু। পূম্নমক অফবা ওইরসনু। য়াইফমিন্নরসি।